ভারতকী ৱাংমদা লৈবা নুপাশিংদা লুহোংগে খল্লিবা ভারতকী নুপীশিং অমদি এন আর আই (NRI) নুপা অমদা লুহোংলুরবা মতুংদা পোথাফম খঙদনা লেল্লিবী/ নমথাক তৌবিরবী/ অৱা-পোৎলুম পুরিবী/ হুন্দোকপিরবী ভারতকী নুপীশিংবু লমজিং-লমতাক্লবগীদমক মখাগী থৌরমশিং অসি মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়রসনা পায়খৎলিঃ

১) মপূং ফারবা (FAQs) পূম্নমক হিন্দী অমদি ইংলিশতা মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটশিং অসিদা ফংহল্লি:

i) http://mea.gov.in/faq.htm

ii) http://www.mea.gov.in/faq-hi.htm?

২) মিনিষ্ট্রিগী লিগেল অমদি ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্ট পীনবা স্কিম নৌনা অমুক য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা সেপ্টেম্বর তাং ১, ২০১৭(1st September, 2017) তগী ইন্দিয়ান কম্যুনিটি ৱেলফ্যার ফন্দ (ICWF)গা পূনশিনখ্রে।

অহানবদা ৩১/০৮/২০১৭ (31st August 2017) ফাওবা লৈবাক ১৩দা চৎনরম্বা স্কিম অসি হৌজিক্তি মপান্দা লৈরিবা ভারতকী মিশন অমদি কনসুলেট খূদিংমক্তা চৎনরে। হৌজিক চৎনরিবা স্কিম অসিগী মতুংইন্না লিগেল অমদি ফাইন্সিয়েল এসিষ্টেন্স অসি কেস অমমমদা য়ুএস ডোল্লর ৪০০০ (USD 4000)দা হেনগৎলে। এসিষ্টেন্স অসি মরী লৈনবা এপ্লিকান্টকী লিগেল কাউন্সেল/ ইন্দিয়ান কম্যুনিটি এসোসিয়েসন/ ৱুমেন’স ওর্গানাইজেসন/ এনজিও(NGO)দা কেস অদু ফাইল তৌবগী দোক্যুমেন্টেসন অমদি প্রিপারেটরি ৱার্কশিং তৌবদা মতেং পাংনবা পীবনি।

৩) ভারতকী ৱাংমদা লৈরিবা লৈবাকশিংদা অৱা-চৈথেং ফংলবী ভারতকী নুপীশিংনা থেংনরিবা তোঙান-তোঙানবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা লিগেল প্রোভিজনশিং খোমজিন্দুনা মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইট অসিদা উৎলি:

http://www.mea.gov.in/images/attach/Legal_provisions_in_foreign_countries.pdf

৪) ভারতকী ৱাংমদা লৈরিবা ইন্দিয়ান মিসনশিং/ পোষ্টশিংদা রেজিষ্টর/ এম্পেনেলদ তৌরবা ওর্গানাইজেসনশিং/ এনজিওশিং(NGOs)/ লোয়রশিংগী ডেটাবেজ অমসু মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইট অসিদা ফংহল্লি:

http://www.mea.gov.in/images/pdf/list-indian-women-ngo.pdf